# থাইলেন্দগী মফম কয়াদা বোম পোকখায়খ্রে

## মীওই কয়া শিখ্রে, মীরৈবাক মচা ১০ য়াওনা মীওই কয়া শোকখ্রে



হুৱা হিন, থাইলেন্দ, ওগষ্ট ১২ ঃ

থাইলেন্দগী ময়ায় থংবা অমসুং খা থংবা শরুকশিংদা বোম কয়া পোকখায়খ্রে, তৌইগুম্বসু ব্লাষ্টশিং অদু ইস্লামিক টেররিজমগা মরী লৈনদে হায়না থাই পুলিসনা হায়রি।

ঙরাং অহিং অমসুং ইরাইগী অঙনবদা য়ামদ্রবদা থাইলেন্দগী সিটি মরিদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মীওই কয়া শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে। সি সাইদ টাউন হুৱা হিনদা মীরৈবাকমচা১০ শোকখ্রে হায়রি।

রোয়েল থাই পুলিসকী ওফিসল র্কনেল পাটাচারিওননা হায়খি, এটেকশিং অদু কনানা, করম্বা গ্রুপনা চথুখিবনো হায়বা হৌজিক্তিগী ঙনমল্লি, তৌইগুম্বসু ব্লাষ্টশিংদু ইস্লামিষ্ট টেররিজমগা মরী লৈনদে হায়বসিমদি চুম্লে।

এটেকশিং অদু কনানা পাঙথোকখিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদবা ওইরবসু মখোয়গী টাইমিং অমসুং স্কোপ য়েংলুরগা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাক্তুগী রুলিং জন্টাগী ওপোনেন্টশিংনা এটেকশিংদু চথুখিবা ওইবা য়াই হায়রি। রুলিং জন্টানা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমগী মতাংদা রেফরেন্দম অমা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবনি। ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুসন অদুনা লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা মিলিটরিগী পৱার হেনগৎহনগনি হায়রি।

মীশি-মীনা থোকহনখিবা এটেকশিং থাইলেন্দগী ক্বীন সিরিকিটকী মপোক নুমিৎতা চথুরকখিবনি।

রুলিং জন্টানা মোনার্কি অদুবু কনবনা খ্বাইদগী মরু ওইনা পাঙথোক্কদবা থৌদাংনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি। আর্মি অমসুং মসিগী মীচংশিংনা মশা ঙমদদুনা লৈরিবা চহী ৮৮ শুরবা নিংথৌ ভুমিবোল অদুল য়াদেজগী মহুৎ শিনবা অমা মায় পাক্লা খনবা পামদুনা লৈরিবনি। অদুলয়াদেজ অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মতম শাংনা লৈবাক অমদা পাল্লক্লিবা নিংথৌনি।

অহানবগী বোম পোকখায়বা অনী ঙরাং অহিং টুরিষ্ট সিটি হুৱা হিনগী মী চিনবা লম্বী অমদা থোকখি। মফমদুদা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা অমুকসু বোম পোকখায়খি। সিটি অদুদা সি ফ্রন্ট রিজোর্টশিং অমসুং নিংথৌগী কোনুং অমা লৈরিবনি।

পুলিস অমসুং থাই মিদিয়াগী রিপোর্টশিংনা সাউদর্ন সিটিশিং ফুকেট, তরাং অমসুং সুরাট ফনিদসু বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

হুৱা হিনদা লৈবা মহাক্কী হোটেল কাদগী শেল ব্রেট কৌবা টুরিষ্ট অমনা ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পতা হায়খি মদুদি, অহানবগী পোকখায়বদুদা মীয়াম্না মীপাইবা পোক্লখি। এটেক অদুদা থাই নুপী অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। অশোকপা মীওই ১০ দি মীরৈবাকমচাশিংনি হায়না পুলিসনা মখা তাখি।

‘ঐহাক হুৱা হিনগী মেইন বার দিষ্ট্রিক্টকী বার অমদা লৈরম্মী। মদু হিল্টন হোটেলগী হেক মপানদনি। ঐহাক্না অহানবদা বাং লাওবা অহৌবা মখোল অমা তাখি অমসুং মীপুম খুদিংমক মীপাইনখি’ হায়না ব্রেটনা হায়খি।

মহাক্না বারদুগী মপান্দা থোক্তুনা য়েংবা মতমদা মীশিংনা কোয়চেন চেন্নবা উখি। পুঞ্জায়মুক লৈরগা মহাক মহাক্কী হোটেলদা অমুক হঞ্জিনখি। লম্বীদা মহাক্না ‘অশোক-অপন নংলবা মীওই কয়ামুক উখি, এরিয়া অপুম্বদু মীপাইবা পোক্লখি। এরিয়া অপুম্বদুদা পুলিসকী কারশিং অমসুং এম্বুলেন্সশিংনা চাইখি।’

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা মিলিটরিনা পৱার পায়শিনখিঙৈদগী থাইলেন্দগী শেল-থুমগী ফীভম শোকচিল্লকখি। খরা ফীভম ফবা সেক্টরশিংগী মনুংদা অমদি টুরিজমনা ওইখি। চৎলিবা চহী কুমজা ২০১৬ অসিদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অদুদা মীওই মিলিয়ন ১৪ হেন্না লম কোয়বা লাকখ্রে। মমাঙগী চহীগী রেকোর্দতা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই মিলিয়ন ১২.৫ লৈবাক অদুদা কোয়বা লাকখিবনি।

শগোলশেলগী অহিংদা চথুখিবা বোম্মিং এটেকশিং অদু রিমোট কন্ট্রোলগী মতেংননি, পুঞ্জায় অমা খন্ননা চথুখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পুলিস জেনরেল মিথিচাইনা হায়খি, দিভাইস অনীমক টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা রেষ্টোরেন্টশিং, বারশিং অমসুং চীঞ্জাক্কী ভেন্দরশিং লৈবা লম্বী অমদা পাম্বীশিংগী মরক্তা ফিট তৌরম্বনি। বোমশিংদুগী মনুংদগী য়ামদ্রবদা বোম অমা পোকখায়হনখিবদা শিজিন্নবনি হায়না থাজবা সেমসুং সেল ফোন অমা ফংলে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা শিরিবা মীওই অদু লম্বীদা চান-থক্লবা পোৎ- চৈশিং য়োনবী নুপী অমনি হায়না থাই মিদিয়ানা ফোঙদোকখি। হুৱা হিনগী চাইরোট ষ্টিসারোং কৌবা পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি, অশোকপশিংদুগী মনুংদগী মীওই ১০ দি মীরৈবাক মচাশিংনি। মখোয়গী নেসনেলিটিশিং খুদক্কী ওইন খঙবা ঙমখিদে।

পুলিসকী মতুং ইন্না, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা হুৱা হিনদা বোম অনী অমসু পোকখায়খি। ব্লাষ্টশিং অদুদা মীওই ১ শিখি অমসুং অতৈ মরিনা শোকখি।

সাউদর্ন থাইলেন্দগী সুরাট ফনিদা পুলিস ষ্টেসন অনীগী মমাঙদা অতোপ্পা বোম অনী পুঞ্জায় অমা খন্নরগা পোকখায়খি।

শগোলশেলগী ঙল্লিঙৈদা অতোপ্পা বোম অমা সাউদর্ন প্রোভিন্স তরাংদা পোকখায়খি। মদুদা মীওই অমা শিখি অমসুং অতৈ তরুক শোকখি হায়ন থাই মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

# চাইনানা ভুটানগা দিপ্লোমেটিক মরীশিং থম্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে




বৈজিং, ওগষ্ট ১২ ঃ

বোর্দরগী য়েৎনবা লৈখায় তানবা লৈবাক অনীনা বৈজিংদা ২৪রকশুবা রাউন্দগী বাউন্দরিগী ৱারী শানখিবদা চাইনানা ভুটানগা দিপ্লোমেটিক থম্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা দিপ্লোমেটিক মরী নৌনা শাগৎনবা অমসুং বাউন্দরি ইস্যুশিংগী সোল্যুসন পুরক্লবা ভুটানগা থবক তৌমিন্নবা পামই হায়না চাইনিজ ভাইস প্রসিদেন্টে লি য়ুয়ানচাওনা ঙরাং লৈবাক অদুদা খোঙচৎ অমা লাক্তুনা মহাক্না উনখিবা ভুটানগী ফোরন মিনিষ্টর দামচো দোর্জিদা হায়খি।

বাউন্দরিগী ৱারী শানবগী ২৪রক শুবা রাউন্দদা শরুক য়ানবগীদমক্তা দের্জি চাইনাদা লাক্লিবনি।

‘চাইনা অমসুং ভুটাননা দিপ্লোমেটিক মরী শাগৎনগদবা ৱাৎলি তৌইগুম্বসু লৈবাক অনীনা মতম চূপ্পদা অমগা অমগা ইকায় খুম্নখি অমসুং অমগা অমগ মান্ননা ট্রিট তৌনখি’ হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা লিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

দোর্জিনা হায়খি, ভুটাননা লম কয়াদা চাইনাগা লৈনবা মরীশিং চেৎশিন্নবা পামই অমসুং মহাক্কী লৈবাক্না অথুবা মতমদা ঙমখৈগী য়েৎনবা লোইশিনবা পামই হায়না সিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

চাইনানা য়ুল্লোন্নবা ১৪ গা লৈনবা বাউন্দরিগী য়েৎনবা ১৪ গী মনুংদা ১২ লৈখায় তানখ্রে। লৈবাক অসিনা হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং ভুটানগা বাউন্দরিগী য়েৎনবা লৈখায় তাগদবা লৈরি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা লৈবাক অনীগী ঙমখৈগী য়েৎনবশিং লৈখায় তানবা অখন্নবা রিপ্রজেন্টিটিভশিংগী ওইবা মীফম রাউন্দ ১৯রক পাঙথোকখ্রে।

ভুটানগা বোর্দর পুনমিন্নরম্বা টিবেটপু চাইনানা কুমজা ১৯৫১ দা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখিবা মতুংদা ষ্ট্রেটিজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং টিবেযকী মরক্তা লৈরিবা টিমপুনা চাইনাগী থৌওংদা চিংনবা ফোঙদোক্তুনা অমসুং পেন্দনা লাকখি।

চহী খরসিদা লৈবাক অনীনা মরুপ মপাং ওইবা মওংদা অমগা অমগা খোঙচৎশিং চৎনরবসু বোর্দর ইস্যুনা মরম ওইদুনা বৈজিং অমসুং টিমপুগী মরী মহৌশাদগী ইফৎ ফত্তনা লাকখিবনি।

ঙক্লিংঙাই ওইরব খোঙথাং অমদা কুমজা ২০১২ দা মতমদুগী চাইনিজ প্রিমিয়র ৱেন জিয়াজাও অমসুং মহাক্কী ভুটানগী লেংমান্নবা জিগমি ৱাইনা দিভলপমেন্টগী মতাংদা পাঙথোকখিবা য়ু এনগী কনফরেন্সতা নাকোয়ননা উনখি অমসুং বোর্দরগী য়েৎনবা থুনা লৈখায় তানবগী অমসুং বাইলেটরেল মরীশিং ফগৎনবগী খোঙথাংশিংগী মরমদা খন্নখি।

# ফিলিপিন্সতা কোষ্ট গার্দ সিপশিং পীনবা জপানগা ৱারী শানবা হৌখ্রে




মনিলা, ওগষ্ট ১২ ঃ

দিফেন্স ইক্যিপমেন্টকী দিল অমগী মতুং ইন্না জপান অমসুং ফিলিপিন্সনা মনিলাদা অচৌবা কোষ্ট গার্দ সিপ অনী ট্রান্সফর তৌনবগী ৱারী শানবা হৌখ্রে। মদু য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিদা পেট্রোলিং তৌবদা মতেং ওইনবগীদমকনি হায়না জপানিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা ৱান্দগী মিটর ১০ (ফুট২৯৫) গী মল্টি রোল রেস্পোন্স ভেসেল অনী অদু হান্নগী দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮৮.৫২ (পেসো বিলিয়ন ৮.৮) গী মিটর ৪৪ গী ময়ায় ওইরপ চাওবা কোষ্ট গার্দ সিপ ১০ দুগী মথক্তা খন্নরক্লিবনি। মমাঙদা য়ানখিপা কোষ্ট গার্দ সিপ ১০ অদু মথং চয়োলদগী পীবা হৌরগনি।

‘গর্ভমেন্ট অনীনা খরা চাওবা ভেসেল অনী পীনবগী ৱাফমসু খন্নরক্লিবনি’ হায়না জপানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি স্পোক্সমেন মাসাটো ওহতাকানা মনিলাদা পাউমীশিংদা হায়খি।

‘ঐখোয় হৌজিক নাকল অনীগী দাইলোগ চথুরকপগী ময়ায় চল্লকপদা লৈরে। মখোয়না হৌজিক অকুপ্পশিং মখা তানা খন্নরি, ঐখোয়দা মতম খরা চঙখিনি।’

শগোলশেল নুমিৎতা সাউদর্ন দাভাও সিটিদা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটার্ট অমসুং জপানিজ ফোরন মিনিষ্টর ফুমিও কিশিদাগী মরক্তা মীনিট ৮০ ৱারী শানখিবদা অচৌবা সি ভেসেলশিং পীবগী ৱাফমসি খন্নখিবনি।

‘ঐখোয়না জপাননা করম্না ফিলিপিন্সপু কেপাসিটি বিল্ডিংদা মরু ওইনা মেরিটাইম সিক্যুরিটিগী লমদা করম্না মতেং পাংগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারী শানখি’ হায়না ওহতাকানা মখা তাখি।

চহী খুদিংগী দোল্লর ট্রিলিয়ন ৫ রোমগী লল্লোন-ঈতিক্কী লম্বী ওইনরিবা সাউথ চাইনা সি অপুম্বা চাইনানা ক্লেইম তৌরি। থাউ অমসুং গ্যাস মরাং কায়না লৈ হায়না থাজনরিবা সি অদুদা ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনসু ক্লেইম কয়া তৌরিবনি।

জপান্না সাউথ চাইনা সিদা ক্লেইম তৌবা অমত্তা লৈতে তৌইগুম্বসু লৈবাক অসিনা ইষ্ট চাইনা সিগী অপীকপা ঈথৎ খরগী মতাংদা চাইনাগা য়েৎনবা লৈরি।

চাইনানা ক্লেইম তৌরিবা এরিয়া অদুদা য়েৎননিঙাই ওইদবা সোভরন্টিগী রাইট লৈ হায়না লৈবাক অসিনা হায়রি অমসুং লৈবাক অসিনা হৌখিবা থাদা ইন্টরনেসনেল অর্বিট্রেসন ট্রাইব্যুনেল অমনা তাখিবা রুলিং অমা রিকগনাইজ তৌ হায়বা য়াখিদে। ফিলিপিন্সনা থারকখিবা কেস অমদা অর্বিট্রেসন রুলিং অদু পীখিবনি।

জপান্না চাইনাদা রুলিং অদু ঙাক্না চৎনবা তকশিনখি। টোকিয়োনা মদু ইনফম থোকই হায়রুবদা চাইনাগী মায়কৈদগী খুৎ থিংজিল্লক্তনবগী ৱার্নিং পীরকখিবনি।

‘ঐখোয়দা ফীভমসি লুনা লৌনিংঙাই ওই, ইষ্ট চাইনা সিগী দিভলপমেন্টশিং সাউথ চাইনা সিদা ওইরক্লিবা ফীভমদুগা মান্নে’ হায়না ওতাকানা হায়খি। বৈজিংনা মসিগী কোষ্ট গার্দ সিপশিং সাউথ চাইনা সিদা মখা তানা লৈনবা ওর্দর তৌখ্রবনি।

# অফঘানিষ্টান, কাশ্মিরগী মতাংদা য়ু এসনা ইন্দিয়াবু শৌগৎপগীদমক পাকিষ্টান্না নুংনাংলি

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১২ ঃ

কাশ্মিরগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈশিন্দুনা অমসুং অফঘানিষ্টানদা তেংবাঙ পীবগী মতাংদা ইন্দিয়াবু পুক্লিং থৌগৎপগীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু চৈ-থাংদুনা পাকিষ্টান্না লৈবাক অসিগী ওইনা সিক্যুর ওইদবা ফীভমদু উখোকচরি।

গ্লোবেল ৱার ওন টেররগী খোঙবু ওইবা পাকিষ্টানগী অৱাৎ-অপা কয়া চহী কয়ামুক য়েংলক্লবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টান্দা সিক্যুরিটিগী তেংবাঙ হেন্না ফংহনবগী ৱাফম অসিদা ইন্দিয়াদা থাজবা থল্লক্লি। মসিমক পাকিষ্টানগী অপাম্বদি ওইদ্রি।

পাকিষ্টানগী নুংতিগী ফোঙবা পাউচে দ নেসনগী পাউ অমনা হায়রি মদুদি, ইস্লামাবাদনা বারাক ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনদা ইস্লামাবাদকী মহুত্তা ন্যু দিল্লিবুনা হেন্না পাল্লকপগী মওং অমা লাক্লিবসিনা টেররগী মায়োক্তা চথরিবা গ্লোবেল কেম্পেইনদা অকায়বা পীগনি হায়না চেকশিন-ৱা পীখ্রে।

ইন্দিয়ানা য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ওফিসলশিংগী মনাকোংদা ৱা হায়বা ঙমই হায়না পাকিষ্টান্না থাজৈ তৌইগুম্বসু লৈবাক অসি মশাগী খ্বাইদগী ফত্তবা য়েক্লবা ওইরে হায়বসিদি খঙবা ঙমজদে। লৈবাক অসি মসিগী লো চৎনদবা ট্রাইবেল এরিয়াশিংদগী লালহৌবশিং মাংহনবা নৎত্রগা তকথোকপগী থবক্তা শাথিনা নিংবা কায়নিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাক্ত্রি। অদুগুম্বা ট্রাইবেল লমদম অদু লৈতঙ্গাইশিং, চীং-মান ওইবা অফঘান বোর্দর পরিংদা মাইল ৫০০ হেন্না শাংনা চেল্লি।

হায়রিবা লমদম নোর্থ অমসুং সাউথ ৱাজিরিষ্টান বোর্দরদা অল কাইদা, টালিবান অমসুং অতৈ ইস্লামিক মিলিটেনশিংগী মকোন ওইদুনা লৈ হায়বসি নিংথিনা দোক্যুমেন্ট তৌরবনি।

পাকিষ্টানগী ওইনদি হন্দক্কী থা অসি অরুবা থা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ওগষ্ট ৩ দা পেন্টাগননা পাকিষ্টান্দা পীগদবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০০ গী মিলিটরি তেংবাঙ ফাজিন্দুনা থমখি। মদু অফঘানিষ্টান্দা মীশি-মীনাগী ঈরাং লাকহল্লিবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা ইস্লামাবাদনা লৌরিবা খোঙথাংশিংদা য়ু এসনা পেল্লক্তত্ববগী খুদমনি। দিফেন্স সেক্রেটরি অশটন কার্টরনা পাকিষ্টানগী লৈহাওদা অফঘান টালিবান অমসুং হকানি নেটৱার্ক মিলিটেন্টশিংনা মখা তানা ওপরেট তৌদুনা লৈরি হায়বা ৱাফম পল্লদুনা ইস্লামাবাদতা মিলিটরি তেংবাঙ পীবা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়না কোংগ্রেসতা পনখিদবনি।

হৌজিক অফঘানিষ্টান্দা ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসননা সিক্যুরিটিগী ফীভম কা-হেন্না শোকচিল্লকপগী মওং অমা মায়োক্লরি। লৈবাক অদুদা টালিবানগী এক্টিভিটি হেনগৎ-লকপদগী মতম শাংনা মফম অদুদা য়ু এস মিলিটরিনা পায়খৎলকখিবা থৌরাংশিং অরেম্বা তাবগী ফীভম লাকখি।

অফঘানিষ্টানদা পাকিষ্টানগী অপাম্বদি ইন্দিয়ানা পাল্লিবদুদগী পুংখেন খেন্নে। ইস্লামাবাদনা অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী মওং অমা লাকহনবা পামই। মদুগী মরু ওইবা মরমদি অফঘানিষ্টানবু ইন্দিয়াগী মায়োক্তা মরু ওইনা কাশ্মিরদা জিহাদি এটেকশিং চথুনবগী মফম অমা ওইনা শিজিন্নবা য়ানবনি।

‘য়ু এসনা অসিগুম্বা ইস্লামাবাদকী থৌরাং অসিগী মায়োক্তা চেৎনা লৈফম থোকই মরমদি মদুনা অমেরিকান নেসনেল সিক্যুরিটিদা অচৌবা থ্রেট অমা পীরি। টাইম স্কৱার বোম্মর অদু অফঘান-পাক বোর্দরদা ট্রেন তৌখি হায়বসি ঐখোয়না কাওরোইদবনি’ হায়না সাউথ এসিয়াগী এক্সপার্ট সুমিট গাঙ্গুলিনা ফোঙদোকখি। গাঙ্গুলি অসি ব্লুমিংটনদা লৈবা ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী ইন্দিয়ন কলচরস অমসুং সিভিলাইজেসন্সগী রবিন্দ্রনাঠ টেগোর চ্যের পায়রিবনি।

# ক্রিমিয়াগী টেন্সন হেনগৎলকপদগী য়ুক্রেনগী ফোর্সশিং মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে

কিভ, ওগষ্ট ১২ ঃ য়েৎনরিবা পেনিন্সুলাদা কিভনা খুৎলায় পায়দুনা লোন্না চঙশিল্লকখি হায়না মোস্কোনা মরাল শিখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎনরকখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেন্না শগোলশেল নুমিৎতা ক্রিমিয়াগী অকোয়বদা মিলিটরি ফোর্সশিং অৱাংবা থাক্তা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

রসিয়াগী এফ এস বি সিক্যুরিটি সার্ভিসনা ঙরাং হায়খি মদুদি, য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরি ইন্টলিজেন্সনা চয়োল অসিদা চথুরকখিবা টেররিষ্ট এটেকশিং মখোয়না অরেম্বা তাহনখ্রে অমসুং খুৎশু-খুৎলায় কয়া পায়দুনা লোন্না চঙশিল্লকখিবশিংদু তকথোকখ্রে। অমরোমদা কিভকী মায়কৈদগীদি রসিয়ন ক্লেইমশিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী মরাল শীবা ৱাফমশিং অদুনা কুমজা ২০১৪ দা মোস্কোনা য়ুক্রেনদগী ব্লেক সিগী পেনিন্সুলা লৌশিনখিবদগী লাকখিবা তাথিনবগী ফীভম অদুদা মৈশা হেনগৎহনখি অমসুং হেন্না চাউবা মুক্লবগী ফীভম অমা লাকপগী অকিবা হেনগৎহনখি।

নন-পার্মিনেন্ট কাউন্সিল মেম্বর অমা ওইরিবা য়ুক্রেন্না হায়জরকপদগী য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইরাই নুমিৎতা লমদম অদুদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা টেন্সনগী মরমদা খন্নগনি।

য়ুক্রেনগী প্রো-ৱেষ্টর্ন প্রসিদেন্ট পেট্রো পোরোসেনকোনা মহাক্কী মিলিটরিগী মকোক থোংবশিংগা উনখি অমসুং ক্রিমিয়াগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মখোয়গী ফোর্সশিংবু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা ওর্দর তৌখি।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননসু ক্রিমিয়াগী সিটিজনশিং অমসুং মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী সিক্যুরিটি শোয়দনবগীদমক্তা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা সিক্যুরিটি চীফশিংগা উনখ্রে হায়না ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

‘লমগী ঙমখৈ, ঈশিং অমসুং ক্রিমিয়াগী এয়র স্পেসতা এন্টি-টেররিষ্ট সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লৌখৎনবগীদমক্তা লৈরিবা ফীভমশিংদু চেকশিন্না খন্নখি’ হায়না ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

# চাইনিজ অনী য়াওনা মীওই ১০ শিখ্রে

মনিলা, ওগষ্ট ১২ ঃ ফিলিপিন্সকী জেল অমদা গ্রেনেদ অমা পোকখায়বদগী চাইনিজ দ্রগ ক্রিমিনেলশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী য়াওনা ইনমেট ১০ শিরে হায়না ওফিসিয়লশিংনা ফোঙদোক্লি।

অহানবগী ওইনা থিজিনবদা ইনমেটশিংনা মনিলাদা লৈবা জেলদুগী ৱার্দেনদা ইনমেটশিংনা মখোয়বু অতোপ্পা ফেসিলিটি অমদা হোংবগী মতাংদা ৱারী শারমখি হায়রি। বোম পোকখায়বদু জেলদগী নাম্থোক্লবগী থৌরাংগা মরী লৈনব্রা হায়বদু থিজিল্লি। জেল মেনেজমেন্ট অমসুং পেনোলোজিগী স্পোক্সমেন সিনিয়র ইন্সপেক্টর জাবিয়র সোল্দানা হায়খি, চাইনিজ অনী য়াওনা থৌদোক্তুদা শিখিবা ইনমেট ৮ দ্রগকী কেসশিং মায়োক্লরি।




# EMPLOYMENT NEWS

### M.P. Power Generating Company Limited – MPPGCL Recruitment 2016 – 49 Security Guard Vacancy – Last Date 09 September

M.P. Power Generating Company Limited invites application for the post of 49 Security Guard. Apply Online before 09 September 2016.

**Job Details :**

Post Name : Security Guard
No Of Vacancy : 49 Posts
Pay Scale : Rs. 19000/- (per month)

**Eligibility Criteria for MPPGCL Recruitment :**

Educational Qualification : Candidates sould have 12th class passed and 3 year experince.

Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 40 years as on 01.08.2016

**Job Location :** Madhya Pradesh

Selection Process : Selection will be made on Online Written Test & Interview.

Application Fee : Candidates belonging to SC/ST/OBC/PD Domicile of M.P. have to pay Rs. 300/- & Rs. 1000/- for Unreserved candidates of M.P. & candidates from other states.

**How to Apply :**
Interested candidates may apply Online through the website www.mppgenco.nic.in from 10.08.2016 to 09.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 10.08.2016

Last Date for Submission of Online Application : 09.09.2016

Written Test at Various centers in M.P. : 25.09.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.mppgenco.nic.in/REC_3011_DTD_08.08.2016.pdf

**Apply Online :** https://mponline.gov.in/PORTAL/SERVICES/MPPGCL/index.aspx

### Indian Institute of Technology – IIT Kanpur Recruitment 2016 – 94 Junior Technician, Junior Assistant & Various Vacancies – Last Date 30 August

Indian Institute of Technology (IIT) Kanpur invites application for the post of 94 Junior Technician, Junior Assistant & Various Vacancies. Apply Online before 30 August 2016.

**Job Details :**

Post Name : Junior Technician
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-

Post Name : Junior Assistant
No of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-

**Eligibility Criteria for IIT Kanpur Recruitment :**

Educational Qualification :
For Junior Technician : Bachelor's Degree with knowledge of computer applications.

For Junior Assistant :
B.Sc. in appropriate field, OR BCA, OR Diploma in Engineering in appropriate field from respective State Board OR ITI with 03 years experience. Knowledge of computer applications.

Nationality : Indian

Age Limit :

For Unreserved : Born Between 30.08.1986 to 30.08.1995
For OBC : Born Between 30.08.1983 to 30.08.1995
For SC/ST : Born Between 30.08.1981 to 30.08.1995
For PWD : Born Between 30.08.1976 to 30.08.1995

**Job Location :** Kanpur (Uttar Pradesh )

Application Fee :
Candidates Have to Pay Rs.500/- for Group-A & Rs.250/- for Group-B & Rs.50/- for Group-D through Online. SC/ ST and Persons with Disabilities are not required to submit the application fees

**How to Apply IIT Kanpur Vacancy :**
Interested candidates may apply Application online through the website http://www.iitk.ac.in form 10.08.2016 to 30.08.2016 & Send the printout along with self attested copies of all relevant supporting documents to The Assistant Registrar, Recruitment Section, Room No. 224, 2nd Floor (Faculty Building), IIT Kanpur–208 016 (U.P.) India on or before 07.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 10.08.2016

Last Date for Submission of Online Application : 30.08.2016

Last Date for Submission of Printout Of Online Application : 07.09.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.iitk.ac.in/new/data/recruitment/2016/Advt.-No.1-2016.pdf

Apply Online : http://www.iitk.ac.in/new/recruitment